

# সনালৈবাক স্পোর্টস

**IMPHAL, WEDNESDAY, JULY 26, 2017 PAGE 7**





*স্পেনগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লা লীগাগী টিম অমা ওইরিবা রিয়েল ওভৈদোগী ষ্ট্রাইকর ওইরম্বা শোকপদগী মখা তানা কেরিয়র লোইশিল্লগনি হায়না লাওথোকখ্রবা মিচু*

*ইটালিগী সেরি এ গী য়াম্না মরুওইবা টিম অমা ওইরিবা ভারোনাদা শরুক য়ারবসু মতম শাংনা টিম অদুগীদমক শান্নবা ঙমদনা ফুটবোল মশান্নদগী পোখারগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা এন্টোনিও কসানো*

## য়ুম্বু ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কা মায়থিবা পীদুনা এসিয়া ৱুমেন্স কপ বাস্কেটবোল দিভিজন (বি) গী গ্রুপ (এ) দা মকোক ওইখ্রে

*বেঙ্গালুরু, জুলাই ২৫ঃ*
ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা কর্নাতকা ষ্টেটকী কোনুং বেঙ্গালুরুদা চথরিবা ফিবা ৱুমেন্স এসিয়া কপ বাস্কেটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা দিভিজন (বি) গী গ্রুপ (এ) গী অরোইবা লীগ মেটচতা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাবু মায়থিবা পীদুনা গ্রুপ অদুগী মকোক ওইখ্রে।




*ইন্দিয়া অমসুং শ্রী লঙ্কানা শান্নখিবা মেটচকী মতাং অমা*

ঙসি বেঙ্গালুরুগী শ্রিকান্টিরাভা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা দিভিজন (বি)গী গ্রুপ (এ) গী অরোইবা লীগ মেটচ অদুদা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাবু পোইন্ট ৮৮–৪২ দা থোইখি।

মেটচ অদুগী ক্কার্টর ৪ শান্নখিবদা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাবু ক্কার্টর ৪ মক্তা হেন্দুনা চৎখি। অহানবা ক্কার্টরদা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাবু পোইন্ট ২৩–১০ দা মাঙজিল থাখি। মদুগী মখা তাবা অনীশুবা ক্কার্টর অদুদা ইন্দিয়াগী নুপীগী বাস্কেটবোল টিম্না মখা তানা ফজবা হেল্লকপদগী অহানবা ক্কার্টরদা লৈখিবা পোইন্ট ১৩ গী গেপ অদুদগী অনীশুবা ক্কার্টর অদুদা পোইন্ট ১৪ গী অহেনবা থমদুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাবু পোইন্ট ৪০–১৩ দা হেন্দুনা চৎখি।

দিভিজন (বি) গী গ্রুপ (এ) থা অসিগী ২৩ দা শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ইন্দিয়া অমসুং উজবেকিস্টান শান্নবদা ইন্দিয়ানা উজবেকিস্টানবু পোইন্ট ৯২–৭৬ তা থোইদুনা পোইন্ট মাঙজিল থাদুনা লাকখিবনি।

ঙসিগী শ্রী লঙ্কাগা শান্নবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৪০–১৩ দা মাঙজিল থারবা ইন্দিয়ানা গ্রুপ অসিগী মকোক ওইননবা অনীশুবা হাল্ফতসু য়াম্না কন্না হোৎনরকখি।

মেটচকী অহুমশুবা ক্কার্টর অদুদা শ্রীলঙ্কাগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা ইন্দিয়াগা খেৎনখিবা পোইন্ট অদু ৬ তা হন্থহল্লবসু ক্কার্টর অদু ইন্দিয়ানা ১৯–১৩ দা হেন্দুনা লৈখি।

মেটচ অদুগী অরোইবা ক্কার্টরদা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাদগী পোইন্ট ১৩ হেন্না লৌবা ঙমখিবদগী ২৯–১৬ দা লৈদুনা অপুনবা স্কোর অদু ইন্দিয়ানা ৮৮–৪২ দা থোইদুনা দিভিজন (বি) গী গ্রুপ (এ) দা মকোক ওইখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ঙসি শ্রী লঙ্কাগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা গ্রিমা মার্লিননা পোইন্ট ২০ ফংদুনা খ্বাইদগী স্কোর য়াম্না তৌবা ঙম্বা শান্নরোই ওইখি। মহাক্কী মতুংদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনিথা পোল দুরাইনা পোইন্ট ১৩ লৌরগা অনীশুবা শান্নরোই ওইখি।

মায় পাক্কবা ইন্দিয়ানা দিভিজন (বি) গী ক্কার্টর ফাইনেলদা ফিজিগা লম্বা তৌনরগনি।

দিভিজন (বি) গী অতোপ্পা ক্কার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা টিমশিং অদুদি সিঙ্গাপোর অমসুং উজবেকিস্টান, লেভানন অমসুং শ্রী লঙ্কা অমদি বাই ফংখ্রবা কজাকস্টাননি।

দিভিজন (এ) গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ (এ) গী মেটচ অমদা ন্যু জিলেন্দ অমসুং চাইনিজ তাইপৈগী অকনবা লম্বাদা শুপ্পগী পোইন্ট ৬ খেন্নরগা ন্যু জিলেন্দনা চাইনিজ তাইপৈবু পোইন্ট ৫৯–৫৩ দা থোইখি।

ন্যু জিলেন্দ অমসুং চাইনিজ তাইপৈগী মেটচ অদুগী অহানবা ক্কার্টর তাইপৈনা ২১–৭ দা হেনখি। অদুবু মখা তারকপা ক্কার্টর ৩ দা ন্যু জিলেন্দনা পোইন্ট ১৭–১৪, ১০–৩, ২১–১৫ দা হেন্দুনা মেটচ অদু ৫৯–৫৩ দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

গ্রুপ অদুমক্কী অনীশুবা মেটচতা চাইনানা নোর্থ কোরিয়াবু য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ১১০–৫৩ দা থোইদুনা গ্রুপ (এ) খ্বাইদগী মকোক্তা লৈখি।

দিভিজন (এ) গ্রুপ (বি) দা মেটচ অনী শান্নখি। অহানবা মেটচতা ওস্ট্রেলিয়ানা জপানবু য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা পোইন্ট ৯ খেৎনরগা ৮৩–৭৪ দা থোইখি।

টিম অনীমক ক্কার্টর খুদিংমক লম্বা মান্নখি। অহানবা ক্কার্টর জপাননা ১৫–১৪ দা হেনখি। অনীশুবা ক্কার্টর ওস্ট্রেলিয়ানা ২০–১৫ দা মাঙজিল থাখি। অহুমশুবা ক্কার্টরদা ওস্ট্রেলিয়ানা অমুক্কা হন্না ২৫–২০ দা হেল্লবা মতুং অরোইবা ক্কার্টরদা ২৪–২৪ মান্নখ্রবসু পোইন্ট ৮৩–৭৪ দা ওস্ট্রেলিয়ানা মায় পাকখি।

দিভিজন (এ) গী গ্রুপ (বি) গী অতোপ্পা মেটচ অমদা সাউথ কোরিয়ানা ফিলিপিন্সপু পোইন্ট ৯১–৬৩ দা থোইখি। অহানবা ক্কার্টর পোইন্ট ১৯–১৯ দা মান্নরম্লবা মতুং মখা তারকপা ক্কার্টর ৩দা সাউথ কোরিয়ানা ফিলিপিন্সকী মায়োক্তা পোইন্ট হেনখিবদগী মায় পাকপা ঙমখিবনি।

অনীশুবা ক্কার্টরদা সাউথ কোরিয়ানা ফিলিপিন্সপু ২৫–১৫ দা হেনখ্রবা মতুং অহুমশুবা ক্কার্টরদা ২৬–১৩ দা মখা তানা মাঙজিল থাখি। লোয়ননা মরিশুবা অমদি অরোইবা ক্কার্টরদা সাউথ কোরিয়ানা ২১–১৬ দা হেন্দুনা ৯১–৬৩ দা মেটচ অদু থোইখিবনি।

## নেদরলেন্দস অমসুং দেনমার্ক মখোয়গী গ্রুপ মেটচতা মকোক মথং তাদুনা য়ুএফা ৱুমেন্স য়ুরো ২০১৭ কী ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

*টিলবুর্গ। দেভান্টর, জুলাই ২৫ঃ*
নেদরলেন্দসনা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা য়ুএফা ৱুমেন্স য়ুরোপিয়ান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ (এ) গী অরোইবা লীগ মেটচশিং মায় পাকপগা লোয়ননা গ্রুপ অসিদা মকোক মথং তাদুনা য়ুম্বু নেদরলেন্দস অমদি দেনমার্ক টুর্নামেন্ট অসিগী ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।




*নেদরলেন্দস অমসুং বেলজিয়মগী শান্নরোই অনীনা বোল মুন্নবগী মতাং অমা*

ঙরাং গ্রুপ (এ) গী অহুমশুবা অমদি অরোইবা লীগ মেটচ অমদা য়ুম্বু নেদরলেন্দসনা বেলজিয়মবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা মেটচ ৩ শান্নখিবদা অহুমক মায় পাক্কুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা টেবলগী মকোক ওইরগা ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা দেনমার্ককী টিমনা নোরৱেগা শান্নখিবা অরোইবা লীগ মেটচতা পাঞ্জল ১–০ দা মায় পাক্কুনা মেটচ ৩ শান্নখিবদা মেটচ ২ মায় পাক্লগা অমা মায়থিরগা পোইন্ট ৬ ফংলগা টেবলগী অনীশুবা পোজিসন লৈখিবদগী ক্কার্টর ফাইনেলগীদমক টিম অসিসু ক্কালিফাই ওইখিবনি।

নেদরলেন্দস অমসুং বেলজিয়ম্না ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। শান্নবগী মিনট ২০ লোইশিনখিবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনশিন্নবা ঙম্নদনা লৈনখি।

শান্নবগী ২৭ শুবা মিনটতা নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংনা পুশিল্লকখিবা পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা বোল অমা বেলজিয়মগী দিফেন্দরশিংনা পেনাল্টি বোক্স মনুংদা ফাওল তৌরুবগীদমক নেদরলেন্দসতা রেফরিনা পেনাল্টি অমা পীখি।

পাঞ্জল শোয়দনা ওইবগী চাং ৱাংনা লৈরবা কিক অদু নেদরলেন্দসকী শান্নরোই সেরিদা স্পিটসেনা পাঞ্জল ওন্থোক্কুনা বেলজিয়মবু ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। মেটচকী অহানবা হাল্ফ অদু নেদরলেন্দসকী পাঞ্জল অমনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। অমনা অমগী গোল এরিয়াদা বোল পুশিন্নদুনা শান্নরকখি। অদুবু পাঞ্জল ওন্থোকপদি ঙম্নদনা লৈখি।

শান্নবগী ৫৯ শুবা মিনটতা বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই টেসা ৱুলর্টনা ইক্কেলাইজর ওইহন্দুনা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নবদা মওংদা ১–১ দা লৈখি।

বেলজিয়ম অমসুং য়ুম্বু নেদরলেন্দসনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ (এ) গী অরোইবা লীগ মেটচ অদু পাঞ্জল ১–১ দা মান্নরবা মতুং অনীশুবা হাল্ফ লোইগদবা পুংখাই অমরোমগী মতম ৱাংলিঙৈদা নেদরলেন্দসকী শান্নরোই মার্টেন্সনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা বেলজিয়মবু ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মেটচ অদুগী লেমহৌবা মিনট খরা অদুদা বেলজিয়মনা মখোয়গী মথক্তা নেদরলেন্দসনা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু ঙমখিদবদগী য়ুএফা ৱুমেন্স য়ুরো ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী গ্রুপ (এ) অরোইবা লীগ মেটচ অদু নেদরলেন্দসনা বেলজিয়মবু ২–১ দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ (এ) গী অতোপ্পা অরোইবা লীগ মেটচ অমদা দেনমার্ক অমসুং নোরৱে লম্বা তৌনখি। টিম অনী অসিনা নেদরলেন্দসকী দেভেন্টর সিটিদা লৈবা দি এদিলার্হোস্ট ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা লম্বা তৌনরকপদা দেনমার্ককী মায়কৈদগী য়াম্না ঙন্না পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

দেনমার্ককী মায়কৈদগী মেটচ অদুগী হৌরকপা ৫ শুবা মিনটতা কেটরিন ভেজেনা য়াম্না ফজবা পাঞ্জল অমা চন্দুনা নোরৱেবু মাঙজিল থাখি।

গ্রুপ (এ) দা হৌখিবা মেটচ অনীদা অনীমক মায়থিদুনা পোইন্ট অমত্তা ফংদনা লৈখিবা নোরৱেনা দেনমার্ককী ভেজেনা চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্কুনা পোইন্ট ফংননবা য়াম্না কন্না হোৎনরকপনি।

মখোয়না হোৎনখিবা পুম্নমক মেটচকী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা ফংবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু নোরৱেনা ইক্কেলাইজর থিরিঙৈ দেনমার্কনা অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী ২–০ দা মেটচ অদু দেনমার্কনা থোইখি।

## অহানবা ওইনা ইন্দিয়ানা কুমজা ২০২১ গী নুপাগী ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী য়ুম্বু ওইরগনি

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৫ঃ*
ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিয়েসন (এআইবিএ) না ঙরাং মোস্কোদা ফমখিবা এসোসিয়েসন অসিগী ইক্সিক্যুটিভ কম্মিটিগী মীফম্না অহানবা ওইনা ইন্দিয়ানা নুপাগী ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অদু কুমজা ২০২১ দা য়ুম্বু ওইবগী অয়াবা অদু ফোঙদোকখ্রে।



মীফম অদুদা নুপাগী ওইনা বোক্সিংগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসি কুমজা ২০২১ দা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইবগী খুদোংচাবা অদু অহানবা ওইনা ফংলবসু নুপীগী ওইনদি ইন্দিয়ানা অনীরকশুবা ওইনা কুমজা ২০১৮ দা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী য়ুম্বু ওইগদৌরি।

নীংশিংবা য়াই কুমজা ২০০৬ তা ইন্দিয়ানা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী য়ুম্বু অহানবা ওইনা ওইখিবনি। মদুগী মতুং লাক্কদৌরিবা চহী ২০১৮ দা নুপীগী ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী য়ুম্বু অনীরকশুবা ওইনা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

অহানবা ওইনা ইন্দিয়ানা নুপাগী ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা অদুসু ন্যু দিল্লিদা শান্নগদৌরিবনি।

ঙরাং রুশিয়াগী সিটি মোস্কোদা ফমখিবা ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিয়েসন (এআইবিএ) গী ইক্সিক্যুটিভ কম্মিতিগী মীফমদা কুমজা ২০১৯ গী নুপাগী ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোকফম অদু রুশিয়াগী সিটি অমা ওইরিবা সোচিদা পাঙথোকপা হায়না ৱারেপ্পখি। লোয়ননা নুপীগী ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী ওইনা চহী অদুমক্তগুদা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্পিটিসন অদু টর্কিগী সিটি ত্রাবজোনদা পাঙথোক্কনি হায়না অয়াবা পীনখি।

এআইবিএ গী প্রসিদেন্ট ওইরিবা ডাঃ চিং কু ৱুনা ফোঙদোকখিবদা মালেমগী নুপাগী বোক্সিংগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্টনি হায়না লৌনরিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী কুমজা ২০২১ গী ইদিসন অদু ইন্দিয়াগী সিটি ন্যু দিল্লিনা য়ুম্বু ওইরগনি হায়বগী ৱারেপ্পখিবা অদু য়াম্না অফবা খোঙথাং অমনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা পীখিবা থাজবদা মশান্না অসিবু হেন্না চাউখৎহন্নবগীদমক লৌখৎলকপা খোঙথাংশিংদা ইন্দিয়াবু অচৌবা খুদোংচাবা অমা ফংলিবনি হায়খি।

মমাঙদা ইন্দিয়াগী বোক্সিং ৱার্ল্ড কপ্তা মেডল ফংবা ঙমখ্রবা ভি দেবরাজননা এআইবিএগী খোঙথাং অসি থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা ২০২০ দা টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অদুগী মাঙওইননা ইন্দিয়াদা নুপীগী ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্কদৌরিবা অসিনা মেডল ফংলকপা য়াবা নুপী বোক্সর কয়া পুথোকপগী অচৌবা খুদোংচাবা অমা পীরি হায়খি।

## এএফসিনা আইএসএলবু ওফিসিয়েল ষ্টেটস থাক পীখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৫ঃ*
ইন্দিয়াদা নৌনা ফুটবোলগী অনৌবা খোঙজেল অমা ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আইএসএল) ফুটবোল টুর্নামেন্টনা পুখৎলক্লিবা অসিগী মাইওন য়েংদুনা এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসন (এএফসি) না লীগ অসিবু ওফিসিয়েল ষ্টেটস পীদুনা লীগ অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা টিম অদুনা এএফসি কপ প্রিলিমিনরি রাউন্দগীদমক ক্কালিফাই ওইহল্লনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

নীংশিংবা য়াই মমাঙ থাগী ৭ দা এএফসি অমসুং ইন্দিয়াগী ফুটবোল ষ্টেক হোল্ডরশিংগা মালেসিয়াগী কোলা লাম্পুরদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল লীগ ফোর্মেট অসিগা এসিয়াগী লীগ টুর্নামেন্টশিংগা নকশিন্নবা লম্বী অমা পুরক্নবা ওইবা য়াবা ৱারেপ কয়া ফোঙদোক্লখিবনি।

মীফম অদুগী মখা তারকপদা এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসনগী কম্পিটিসন কম্মিতিনা ইন্দিয়াদা হান্না লৈরম্বা ফেদরেসন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদু মুথৎলগা ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টনা মহুৎ শিন্দুনা এএফসি কপ প্রিলিমিনরি রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা টিমদা ক্কালিফাই ওইবা য়াবগী ৱারেপ অদু লৌনখিবনি।

লাক্লিবা খোঙথাং অসিনা ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি চৎলিবা চহী অমদি মথং চহীগী সিজনদা আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকা য়ামদ্রবদা থা ৬ তগী ৭ ফাওবা চপ মান্নবা মতমদা শান্নদুনা মমাঙদা লৈরম্বা ফুটবোল ক্লবশিংনা মথক থোংবা দিভিজনদা হাইগৎপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈননবা হোৎনগদৌরি হায়না এআইএফএফকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

## বৃটেনগী অদাম পেটিনা ৱার্ল্ড এক্কাটিক চেম্পিয়ন্সিপ্তা নুপাগী মিটর ৫০ গী ব্রেষ্টষ্ট্রোক্কী ৱার্ল্ড রেকোর্দ থম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে

*বুদাপেষ্ট, জুলাই ২৫ঃ*
হঙ্গেরিগী সিটি বুদাপেষ্টতা চথরিবা ৱার্ল্ড এক্কাটিক চেম্পিয়ন্সিপ্তা নুপাগী মিটর ৫০ গী ব্রেষ্টষ্ট্রোক ইভেন্টতা বৃটেনগী স্বিম্মর অদাম পেটিনা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্বগা লোয়ননা ইভেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।




মশাগী চহী ২২ দা ঙাইরিবা বৃটিস স্বিম্মর অদাম পেটিনা মিটর ৫০ গী ব্রেষ্টষ্ট্রোক কম্পিটিসন অদুদা সেকেন্দ ২৬.১০ দা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখিবনি।

ইভেন্ট অসিগী ৱার্ল্ড রেকোর্দ অসি মমাঙদসু মহাক মশামক্না ২০১৫ তা রুশিয়াগী কজাং সিটিদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড স্বিম্মিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা সেকেন্দ ২৬.৪২ দা থমখিবনি।

চহী অনীগী মমাঙদা অদাম পেটি থমখিবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ অদু ঙরাং অথেংবদা মশামক্না সেকেন্দ ২৬.১০ দা হান্না লৈরম্বা রেকোর্দ অদুদগী সেকেন্দ ০.৩২ ঙনখৎলগা অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখি।

চথরিবা ৱার্ল্ড এক্কাটিক চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী মিটর ১০০ গী ফ্রি ষ্টাইল কম্পিটিসনদা স্বিদেনগী সারা জোষ্ট্রোমনা সেকেন্দ ৫২ গী মনুংদা ইভেন্ট অদু য়ৌবা ঙম্বা অহানবা নুপীগী স্বিম্মর অদু ওইখি।

নুপাগী মিটর ৮০০ গী ফ্রি ষ্টাইল কম্পিটিসনগী হৌখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ ৩ লক গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রবা চাইনাগী স্বিম্মর সুন য়াংনা হয়েং পাঙথোক্কদবা ফাইনেল রাউন্দগীদমক মহাক্কী হিটতা অকনবা লম্বা তৌনরবা মতুং ফাইনেল য়ৌরকখি।

মহাক্কী হিট অদুদা য়াম্না কন্না লম্বা তৌনখিবা ইটালিগী স্বিম্মর গেব্রিয়েল দেতিগা মীৎকুপ খরদা মহাক্না হেন্দুনা মকোক থংলগা ফাইনেলগীদমক ক্কালিফাই ওইরকপনি।

ইভেন্ট অদুগী অতোপ্পা হিট অমদা ইটালিগী স্বিম্মর গ্রেগোরিয়ো পালত্রিনৈরিনা মিনট ৭ঃ৪৫.৩১ দা মকোক ওইদুনা মহাকসু হয়েং পাঙথোক্কদবা মিনট ৮০০ গী ফ্রি ষ্টাইল ইভেন্ট অদুগীদমক ক্কালিফাই ওইখি।

হায়রিবা কম্পিটিসন অসি পুন্না স্বিম্মর ৮ না মকোক মথং তান্নদুনা গোল্ড মেডল ফংবদা নত্তনা অনৌবা ইভেন্ট অসিগী ৱার্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্বা ঙম্নবা হোৎনগদৌরি।

নুপাগী মিটর ২০০ গী বট্টরফ্লাই ইভেন্টকী সেমি ফাইনেল হিটতা ৱার্ল্ড এক্কাটিক চেম্পিয়ন্সিপকী য়ুম্বু ওইরিবা হঙ্গেরিগী স্বিম্মর লাজলো জেনা খ্বাইদগী য়াঙবা মতম –মিনট ১ঃ৫৪.০৮ তা ফাইনেলগীদমক ক্কালিফাই ওইদুনা মহাক্না কুমজা ২০০৫ দা লৌখিবা টাইটল অদু নৌহৌননা দিফেন্দ তৌবা ঙম্নবগী খুদোংচাবা অমা ফংলি।

থা অসিগী ১৪ দগী হৌরকখিবা ৱার্ল্ড এক্কাটিক চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি ১২ শুবা ফাওবদা চাইনানা মেডেল টেলিদা অতোপ্পা টিমশিংদগী মাঙজিল থাদুনা চৎলি।

**World Aquatic Championship 2017 Medal Tally**

| Rank | Nation | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | China | 11 | 9 | 3 | 23 |
| 2 | Russia | 8 | 3 | 5 | 16 |
| 3 | France | 5 | 1 | 1 | 7 |
| 4 | United States | 4 | 5 | 5 | 14 |
| 5 | Great Britain | 3 | 2 | 1 | 6 |
| 6 | Italy | 1 | 3 | 6 | 10 |
| 7 | Australia | 1 | 3 | 0 | 4 |
| 8 | Brazil | 1 | 2 | 2 | 5 |
| 9 | Netherlands | 1 | 1 | 1 | 3 |
| 10 | Hungary | 1 | 0 | 1 | 2 |
|  | Malaysia | 1 | 0 | 1 | 2 |
| 12 | Sweden | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 13 | Spain | 0 | 2 | 0 | 2 |
| 14 | Ukraine | 0 | 1 | 7 | 8 |
| 15 | Canada | 1 | 1 | 2 | 4 |
|  | Japan | 0 | 1 | 2 | 3 |
| 17 | Germany | 0 | 1 | 1 | 2 |
|  | North Korea | 0 | 1 | 1 | 2 |
| 19 | Ecuador | 0 | 1 | 0 | 1 |
|  | Mexico | 0 | 1 | 0 | 1 |